ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯱, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯰ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, ফেব্রুৱারী ২১, ২০১৭, ইম্ফাল

৪০ শুবা চহী, ৩১৫ শুবা মশীং

# রাজনাথকী মণিপুর খোঙচৎ

## *ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টদা মণিপুর য়াওদে হায়বা থাজসিরা?*

***তরামাথোইশুবা*** মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্ব্লিগী মীখল মথং থাগী ৪ অমসুং ৮ দা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্লগনি হায়বা মীপুম খুদিংমক্লা খঙনরে। মীখল অসিদা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেস অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টি অনীগী মরক্তা অকনবা লন্বা তৌনরগনি হায়বসিসু অচুম্বা ওইগনি। লাইবক থীবদগী ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী ওইনা সিট ৬০ মক্তা মীরেপ থাদোকপা ঙমদ্রে। মীরেপ লাউথোকখ্রবা মতুং চুড়াচান্দপুর এ সীদা ফুংজাথাং তোন্সিং কোংগ্রেসকী টিকেট লৌদনা বি জে পিদা চঙলগা পার্টি অসিগী মীরেপ ওইখিবা অমসুং কাংপোকপী এ সীদা খর্গা তামংদা টিকেট পীরুরগা য়েলহৌমী নত্তে হায়বা ৱাকৎ লাকপদগী টিকেট পীখিদবনা সিট ২ হোরকপনি। অদুবু ভারতিয়া জনতা পার্টিগীদি সিট ৬০ মক্তা মীরেপ থাদোক্লি। চহী ১৫ লৈঙাক পায়রকপদা চাউখৎ-থৌরাংগী থবক কয়ামরুম পায়খৎখি হায়না কোংগ্রেসন ফনা কন্না হায়জরবসু চপ চানা লন্বা তৌনরগে নিংলিবা বি জে পিনদি লৈঙাক্লা তৌবা ঙমখিদবা অমসুং অশোয়বা কয়ামরুম য়াওবা রিপোর্ট কার্দ অমা পুথোক্তুনা ফোঙলকখি। ফোঙলক্লিবা অদুনা মণিপুরদা লৈরিবা ভোটরশিংগী মাইন্দ সেটতা চূহনবা ঙমগদ্রা হায়বদুদি হৌজিকসু অরুবা ওইরি। বি জে পিনা লৈঙাক পায়ননবা লৌখৎলকপা অখন্নবা থৌরাংশিংগী মনুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং ষ্টেট অসিদা য়াম্না তোয়না লাকখিবা অমসুং মীয়ামগী চাউখৎ-থৌরাংগী থবক কয়ামরুম পায়খৎকনি হায়না থাজবা পীখিবশিং অদুনি। বি জে পিগী ওইনা মণিপুরগী ইলেক্সনগী ইন-চার্জ য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকরনা ওইরি। পার্টি ওর্গনাইজেসনগী ওইনা প্রহলাদ সিংহ পটেলনা মশাগী ওইবা থবক কয়ামরুম থাদোক্লগা মণিপুরদা লেঙদনা লৈরগা মীখলগী থবক থৌরমশিং য়েংশিল্লি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ ঙরাং পুং খরগী খোঙচৎতা মণিপুরদা লাক্লমখি। মহাক্লা মণিপুরদা লৈরিঙৈদা তোঙান-তোঙানবা মফম অহুমদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিদা ৱা ঙাঙলমখি। ৱা ঙাঙলমখিবা মফমশিং অদুদি কোনুং মমাঙদা লৈবা এম এফ দি এসকী ওদিটোরিয়ম, থাংমৈবন্দগী থাউ গ্রাউন্দ অমসুং উৎলৌদা লৈবা বি জে পিগী মীরেপ অমগী য়ুমদনি।

পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম এফ দি এস) গী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ইন্টলেকচ্যুএল মীট অমসুং পার্টি অসিগী মীখলগা মরী লৈনবা ভিজন দোক্যুমেন্ট ফোঙবদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাজনাথ শরুক য়াখি। মীয়াম তিনবা থৌরম অদুদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর রাজনাথনা ফোঙদোকখিবা মচং ওইবা ৱাফম অনীদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা এস এস সী এস (আই-এম) গগী মরক্তা তৌনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদুদা মণিপুরগী ওইবা ৱাফম অমত্তা য়াওদে অমসুং করিগুম্বা মওং অমত্তদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম অমসুং ঙমখৈদা য়াশিন্নবা তৌরোই হায়বসিনি। মরম অসিনা মণিপুরগী মীয়াম্না হীরম অসিগী মতাংদা ৱাখল চমম্ননিঙাই মচাক লৈতে। করিগুম্বা ফীভম অমত্তদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম শন্তাইনদবা হায়বসি বি জে পিগী ফীরেপনি হায়নসু ফোঙদোক্লমখি। মহাক্কী ৱাফম অসি তশেংনমক অচুম্বরা নৎত্রগা চুমদবরা হায়বদুদি হৌজিকসু অদুম্মক মীয়াম্না ৱাহং হংনখিগনি। মসিগী মরু ওইবা মরম খরদি আই-এমগী পিছ টোক অমসুং খুৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা হাপখিবা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগী থাক্তনি। মতমদুদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর খঙহনদে হায়বগী ৱাফম ফাওবা লৈনখি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা এন এস সী এন (আই-এম) গী লুচিংবশিংনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদুগী তুংদা এগ্রীমেন্ট অদু নাগা মীয়ামগী ওইনা অফবা মায়কৈ অমনি অমসুং নাগাশিংগী অপাম্বা খুদিংমক ফংলগনি হায়না ফোঙদোক্লখি। অমরোমদা মণিপুরদা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোক্লখিবা ৱাফম অমদি ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদুদা করিমত্তা য়াওদে, মমিংতগী তঙাইফদনা তৌখিবনি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদুদা করি করি য়াওগদগে হায়বা লেপথোক্লবা ষ্টেক হোল্ডরশিংগা ৱা তানগনি হায়বসিনি। ৱাফম অসিগা মরী লৈননা আই-এমগা ৱারী শাননবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ওইনা হাপখিবা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা মণিপুরদা লাক্তুনা অমসুং দিল্লিদা মণিপুরগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং কৌদুনা তাঙ্কক অহুল্লক থোক্লা ৱারী শানবা লৈখ্রে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথনা মণিপুরদা হন্দক্তা লাকখিবা খোঙচৎ অদু মীখলগা মরী লৈননা বি জে পিগী ভোট খোম্নবনি। ভোট খোম্বা হায়বসিমক্তবু খরা নোঞ্জরগা মীয়াম্না তানিংগদবা অমসুং পামগদবা ৱাফম খরা হায়বা হায়বসি মহৌশানি। মহাক্কী ৱাফম অসি চপ চানা মীয়াম্না থাজসি হায়বা তারবদি প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসতগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টদা মণিপুরগী ৱাফম য়াওদে হায়বদু চেরোল অমা থোকহন্নিংই।

## *••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••*

### কংলা অশেংবা লাইফমলেন ওইবনা ভি আই পিশিংগী ওকফম ওইহল্লোইদবনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**লাক্লিবা** ফেব্রুৱারী ২৫ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ইম্ফালদা লাক্কনি হায়রিবা অসি য়াম্না হরাউজে অদুবু ভোট খোম্বা ওইনা লাক্কদবনি হায়বা অসিদা হরাউবদু খরা হন্থে। ইন্দিয়াদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবশিংগী মনুংদা ইচম চম্না থম্মোয় শেংবা হায়রবদি লাল বহাদুর শাস্ত্রি অমদি নরেন্দ্র মোদিনি হায়জনীংই। মখোয় অনী অসি মশা মশানা লায়রবা খুন্নাইগী লুচিংবনি হায়জে, ওইসু ওই অদুবু হন্দক্কী মতাং অসিদি ভোট খোম্বগী মওংদা লাকপনা অতৈ প্রোগ্রাম লাউথোকপা য়ারোইদবনা খরদি হন্থজে। অদুবু থম্মোয় চাউবা মীশক ওইবনা মদুমক্তি ওইদবা ওইসনু। মতাং অসিদা খরদং পঞ্জরবদি হোম মিনিষ্টরনা চীকোন নাউকোনবগী মওং মতৌ ইওই ওইদবা পোলিসি শেম্বদা মদু প্রাইম মিনিষ্টরনসু য়াবা তাবনা হান্নগী লুক ইষ্ট পোলিসি অসিবু এক্ট ইষ্ট পোলিসি কৌদুনা য়েংবদদি চপ মান্নবা অদুগা ৱাহম্থোক্তদি মনুংদা পোলিসি অমা লৈবগুম উবা, লৈসু লৈবা অমা ওইরি।

মণিপুর কনবগী খ্বাইদগী মপুং ওইবা পান্থৈদি 'মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট চৎনহনবা' অসিনি। মদু সেন্তরনা য়াদবনা মীয়াম ৱারৌনৈ, হৌজিকসু মদুবু চৎনহল্লবদি মণিপুরদা বি জে পিগা লম্বা পাগদবা পার্টি অমদি মীশক থিবা ৱাগনি। মদু দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসিনা মহুৎ শিনবদি অমৃতগী মহুৎ হুনা শিনবনি।

হৌজিক মণিপুরদা ৱাখল চনিং তানদ্রবদি অৱাবগী মথক্তা অৱাবা কয়া কয়া মায়োক্নরকপা য়াবগী পোমিৎ কাঙলক্লি। ৱাফমশিং অসিনা মাঙলমচৎতা মাইচৌশিংনা হায়রম্বা, তাক্লম্বা কয়াগী পোমিৎ কাঙলক্লি। খরদং পঞ্জরবদা (১) নোংপোক থোঙ হাংলখিনি (২) টেঙ্গোল অহুম চাইনরকখিগনি হায়বা অনী অসিদি হৌজিক পো কাংলকপগী মমি তারে। নোংপোক থোঙদি হাংলে তেঙ্গোল অহুম হায়বদুসু পোমিৎ কাঙলক্লে মদুদি নাগা, কুকি, মীতৈ মণিপুরদবু নাগা-কুকি-মীতৈ চাইনরবদবু কনানা খুল্লিংলগনি। মীতোপ্লা খুল্লিংহৌবা তাই মদুগী হুদি দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি অসিনি। পাড়া অদুমক্তি ইংলিসশিংনা ইন্দিয়াদা তম্বীরম্বনি। পোলিসি অদু বি জে পিগী পোকেটতা য়াওরি, কোংগ্রেসকী পোকেটতা য়াওরম্বদি মণিপুর লৌশিনবগী হাক্তক্তা মাঙখ্রবরা! কুকি ফুরুপতি ইংথরবরা হায়ববু হন্দক কুকিগী লুচিংবা অমা কোংগ্রেস টিকেট পীদুনা ভোট লেপ্পমদাইদা কোংগ্রেসতগী রিজাইন তৌরিবা অসি নৈনবা চঙই।

*অদোমগী - ডা. অকোইজমচা নারেন, নিংঙোম্বম, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৪

১। "হে নিংথি পুকতপ্পী / নঙগী ঈচেল অরংবা / পুখো ঈসে অঙাঙবা / সমুদ্র ঈমায় থুংনবা।" কবি কনানা হায়বনো?

২। "অঙাঙবা উচেক মচাশিংনা / থিরি মাঙখ্রবা ময়ূম্বু / অশুকপদা অমম্বদা চীংনুং মান্নুংদা।" মসিনা কবি কনানা হায়বা ৱাহৈশিংনো?

৩। 'খোঞ্জেল থোক্তবা ৱারী' শৈরেং লাইরিক অসিগী অইবীদু কনানো?

৪। 'মণিপুরদা ঐগী চহী অহুম' মিসেস গ্রীমউদকী লাইরিক অসি মণিপুরীদা হন্দোকপদু কনাননো?

৫। 'বুদ্ধনা তূপ্লিবা লমদুদা' লমকোয় ৱারী অসি কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৪, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# পরিক্ষা ময়াসিদা ফরক্কী থাবল

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪২৮

**জিতেন নামৈরাকপম**



***বোর্দ*** ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামিনেসন ২০১৭ লাক্কদৌরিবা মার্চকী তারিখ ১৭ তগী হৌরগনি। চাংয়েং অসিগী ওইনা পাঙথোক্কদবা সবজেক্টশিংগী নুমিৎ, মতম মাঙজৌননা পীখ্রে। মসিগী মথক্তা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্বকী খ্বাইদগী মরুওইনা খন্নরিবা মহৈরোয়শিংগী তুংগী লাইবক লেপকদৌরিবা চাংয়েংসু মার্চকী তারিখ ২০ দগী পাঙথোকপা হৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। হায়রিবা চাংয়েংশিং অসিগীদমক মহৈরোয়শিং অঙওম্বী থাক্তা অহিং নুংথিল নাইদনা ষ্টদিদা মায় ওনশিন্নরি। মমা মপা ওইবশিংনসু মচাশিংবু চাংয়েংদা মায় পাক্লবা কুপ্না শেন্নজরিবা মতমনি। সবজেক্ট মখল শুনা ফাউন্দেসন কোর্সশিং ট্যুসন তৌহন্দুনা শেল চঙনা হোৎনহল্লবা মতুংদা সবজেক্টশিংগী ক্বেসন বেঙ্ক রিভিজন তৌবদা তূম্বা চাবা খঙদবমখৈ হোৎনজবা অঙাংশিং য়াওরি। মেত্রিক পরিক্ষা হায়বসি মীওই অমগী পুন্সিদা খ্বাইদগী মরুওইবা লানফম অমগুম্বনি।

মতম অমদা পি য়ু সী, আই এ হায়নরম্বা হৌজিক্লা টুয়েল্ব নৎত্রগা টেন প্লস টু হায়নরবা পরিক্ষা অসিনা মীওই অমগী পুন্সিগী টর্নিং পোইন্ট ওইগদৌরিবনি। অনীমক মরুওইবা ঙাক্তনি। মতাং অসিদা ওজা জি সি তোংবানা ইবা ৱারী লাইরিক 'মেত্রিক পাস' নীংশিংলকই। প্রতাপনা মেত্রিক পাসসু তৌদনা তৌবা শাজিন্নরগা মেত্রিক পাস তৌদবা নুপাদদি পীরোই হায়রম্বা মানা পামজবা নুপীদুগা নমদুনা লুহোংলে। মকুবোক্লা মঙানি চাক্কৌবদা মেত্রিক পাস তৌবগী সার্টিফিকেট পুরক্কদবনি নৎত্রবদি ইচানুপী পীরোই হায়রকপদা প্রতাপ্পা তৌফম খঙখিদবা, ওৎলৈ পারৈ তৌরগা খুম্বগী মতাংদু পাবদা য়াম্না নুংঙাইখি। মীওই অমগী পুন্সিদা মেত্রিক পাস তৌবা ঙমদবা হায়বসি য়াম্না নীংবা কায়নীংঙাইনি। মেত্রিক পাস তৌহৌদবা নুপা অমদা ক্লাস কয়া ফাওবা তমহৌবগে হংবদা মানা অসুম্না খুমখি হায়, 'ঐরো, এম এ, বি এফনি'। এম এ ইংলিস, এম এ মণিপুরী, মেথস, হিষ্ট্রি, জিওগ্রাফি কায়দি তান্নে। নঙগীদুনা করি সবজেক্টনো হংলুবদা অমুকসু খুল্লকখি হায়, এম এ বি এফ, মিন্স - মেত্রিক এপিয়র বট ফেল' পাউখুমদুদা ময়াম নোকখি হায়নবা ৱারী অমসু লৈখি।

লুরিবদি অসুক লুখ্রবা তাঞ্জা অসিদা নুমিদাং খুদিংগী থাবল চোঙবগী ধোন থিনগৎলকপা অসিনি। লাই হরাউবগী মখোলসু তাবা ফংই, থাবলসু কন্না চোঙখৎনরক্লি। মসিনা করম তৌরিবা জাৎনো খল্লুবদা হায়ফম খঙলক্তে। তৌনীং তৌনীংবা তৌবদা থিংবীনবা লৈত্রবা ইরাং ফলাংগী লমদমনিকো অমুকসু খল্লকই। অইবনা লৈজরিবা য়ূম অসি ইম্ফাল ময়োলদগী কিলোমিটর ৩ খক্তনি মখা পাংনা হাইথরিবা অদুবু করোমদগীনো অহিংদা মাইক্কী হৌরবা মখোলদা থিনগৎলকই, খোঙগৎলকই দিস্কো ম্যুজিক্তা 'তূম্বা দিষ্টর্ব, তূম্বা দিষ্টর্ব, তূম্বা দিষ্টর্ব'...। থায়নগী মতমগী ঐখোয়না চোঙলকপা থাবলগী মখোল ইচম চম্বা ধোন, ক্লারিলনেট, বাঁসীগী নুংশিরবা মখোল অদু নত্তে। জাৎ জাৎকী মখোলনি নিল্লিবসি। অহল-লমন অনা অয়েক্কা নক্লা লৈরম্বা তারগদি মীহুন চেংগুম চেঙ্গানরমগনি। মৃতু শ্বর শৎলগে হায়বগী মওংনি। মমা মপা ওইবশিংনা হৌরক্লিবা মচা মশুশিংবু মতম চাদে তৌগনু হায়না থিংবীনবা লৈতবগুম খল্লকই। থমজরিবা ৱাফম খরসি ইনখৎলক্লিবা থাবল চোঙজনীংবা নহাশিংনা তারগদি শোয়দনা নুংঙাইতবা ফাওবসু য়াই। অদুবু মতম চাদ্রি হায়জবগী ৱানি। য়াওশঙসু লাক্কদৌরে নুমিৎ মঙানিনি, মতমদু ফাওবদংদি ঙাইহন্নীংই। অমরোমদসু অমুক মেত্রিক্কী, টুয়েল্বকী অহিং তূমদনা লাইরিক কন্না পাখৎনরিবা মতম অসিদা দিষ্টর্বেন্স পীবসি অচুম্বা ওইরোই। য়ারগদি থাবল লেপ্পীখো হায়জনীংই।

অদুবু কনাগুম্বা খরনদি হায়নবসু য়াওই। বসন্তগী মতম লাকপদা, য়েন্নিং হুল্লকপা মতমদা পূক্লিং য়েন্নিং হুল্লকপসু মশানা তাবনি। থাবল চাম্মা চোঙসনু, লীলা, দ্রামা, সিনেমা মশীং খঙদনা য়েংবসু য়েংজসনু মদুনা মীওই খুদিংমক পুম্মাং মাঙহনগদবদি নত্তে। মেত্রিক্তা, টুয়েল্বতা টোপ্পর ওইগদবা, ফর্ষ্ট দিভিজন, সেকেন্দ দিভিজন্দা ঙমগদবশিং অদুম ঙমগদবা মরৈরে, কনানসু থিংবা ঙমগদবা নত্তে। মাগী মাগী মপোক্তা, খুবাক ময়িদা, লাইবক্তা নহান্না মখোয় মখোয়না পোক্লকপা মতমদা ইদুনা অদুম লৈখ্রবনি। লাইরিক পাবা, ষ্টদি তৌবা হায়রা মকোক থোংগদবশিং মথং মনাউ নাইগদবশিংদি নহান্না লাইরিক পাবা লোইখ্রবনি। মল্টিপিকেসন টেবল হায়গেরা শুপ্লাক হায়গেরা নৎত্রগা ফোর্মুলাসু ওইসনু থাবলগী মখোল নৎত্রগা চোঙলুবা তরারক য়াওরুবসু মখোয়না খঙখ্রবশিং কাউহনবা ঙম্বা নত্তে। থাবল চোঙবা য়াম্না পামজবা ঐগা থংনবদা লৈবা ইনাওশিং থোকপা অমদা মতম অমদা ঐনা হায়খি, পরিক্ষা ময়াসিদা মেত্রিক থারমদাইসিদা থাবলদা থৱায় কা হেন্না য়াওরুনু। লাইরিক্তু কন্না পাউনে, ইবুংঙো নঙবু' হায়রুবদা মানা খুল্লকখি 'তাতোন পরিক্ষা ময়াদবু লাইরিক পাই হায়ব্রো? ৱাখল নুংঙাইথোক্কদবা মতমনি। লাইরিক্তি নহান্না পাবা লোইখ্রে। হঞ্জিন হঞ্জিন পামন্দনা বোরিং চুরে। পরিক্ষা ময়াসিদি ৱাখল, হকচাং নুংঙাইনা লৈগদবা মতমনি।' মাগী ৱাদু চুম্বসু চুমখি। লিলা ফালা, তাবলদা ঙাওজবা মহাক মেত্রিক পরিক্ষা হায়দোরকপদা ফর্ষ্ট দিভিজন্দা ঙমদুনা সিক্সটিআইট পার্সেন্ট চৎখি। মমা মপাশিং য়াওনা পুম্নমক হরাউনখি। মশ্বাইসি য়ৌরকপদনি উলটা পুলটাগী ৱাফম লাক্লিবসি। অদুবু ঐনা থেংনরকখিবা অয়াম্বনদি ইরাংদা থৱায় লুপ্তুবা মহৈরোয়শিংনা ডোক্তর, এঞ্জিনিয়ার, এম সী এস, আই পি এস ফাওখিবনা অয়াম্বা ওইনা তৌখি।

মখা চথরকপদা পরিক্ষা নকশিল্লকপগা ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লি ইলেক্সনগী লাংনরিবা, লাউ খোংনরিবা, খৎন-চৈনরিবা, গাড়ী থুগায়নরিবা, ফুনরিবা, নোংমৈ ফাওবা কাপশিন্নরিবগী মতাংগা চান্নরকপা অসিনি। ভোট থাধগদবা নুমিৎসু কুইশিল্লক্রে। লোৎনা নৎত্রগা ফোংনা চাকচা হৈজানবা, থকপা চাবগী নুংঙাইরবা কুম্ধে অমসু ওইরি। চাগেগা, থক্কেগা, ইচাগী মিং চন্নবা পৈশা পীয়ু, নুপী নারে, অঙাং নারে, য়েংলুনবা মতেং পাঙবীয়ু হায়দনা কেন্দিদেট খুদিংদা চৎলগা নিবা কাঙবু অমসু লৈরিবনি। চাক শিনগে, ইঙ্খোলনুংগী, লৈকায়গী, লৈশাবী, মৌশিং ঙা চাগে, য়েন চাগে হায়রে শেল পীয়ু শিন্দবা য়াদ্রে সিনি। লৌরগে, চাথোক থক্তোক্লগে হায়বনা অয়াম্বনি। মতাংসি য়ৌরকপদা মকু হুগে তৌবা কেন্দিদেট য়াওরে। ভোট লেপ্পা হায়রেদনা য়ূমগী ইঙ্খোলদা লফুফাও হৌবা ঙমদে, ইরোনবা চাথোকখিবদা হায়নরিবনি। মমাঙগী ইলেক্সন্দা ঐখোয়গা নক্লনা লৈবা কেন্দিদেট য়ূমদা অহল অমখক তোয়না লাকখি। হায়রৈ কেন্দিদেটতা 'ইচা ইবুংঙো নুমিৎ খুদিংগী লাকনীংই । অহল ওইরবনিনা ইশাসি শোল্লে অদুনা নুমিৎ খুদিংগী লাকপা ঙম্নবা সাইকল অমতংদি লৈবিয়ু' হায়খি। মতৌদুদা ভোটকা নকশিল্লকপনে হম্বর সাইকল অমনবা অমা লৈবিরে। অহল অদু য়াম্না হরাউখি। মানা হায়বদা মখোয়গী পোল্লিং বুথ অদুদা সোলিদ ভোট ফংগনি। মাগী ইমুংগী ভোটর ১৬ লৈবদুসু অমত্তা চোয়থোক্লোইসিনি। মদু হায়রম্বা নুমিৎতুগী মতুংদা নুমিৎ নীনিদি সাইকলদু তোংলগা লাক্লম্মী। মদুগী মতুংদা অহলদু মশক শুকউ উবা ফংখিদে। অতোপ্পা কেন্দিদেট অমগীদা সাইকলদু তোংলগা শোয়দনা চৎলমগদ্রা খনখি। অদুগা ভোট হায়দোরকপা মতমদা সোলিদ সোলিদনি হায়রম্বা অহলদুগী বুথতু পুরা লিক্যুদ তারম্বগী ৱানি। মসিনি ভোট হায়বদু কনানা কনাবু থাজনীংঙাই ওইদে। অমরোমদসু কেন্দিদেটশিংদা থাবল চোঙনবা শেল খায়বা লাকপদা য়ারিবমখৈ মতম চানা থাবল চোঙউ হায়না পাউতাক পীবিয়ু। য়াওশঙ ফাওবদদি ঙাইমিন্নসি কৈদৌবগে!

# তাইবঙদা লম্মুক্নদনবা হৌজিক করি লাইনীং চৎকনি? - ১৯

ৱাখল ইহুল

**আচার্য্য সোরাম ইবোহল**

***মালেমদা*** লৈরিবা নমু তাইবঙশিংসি মান্নবা মান্নদবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দারিবনি। মফম খরদা পাকশন্না লৈনরবসু মরম খরদগী চোইজাইননা লৈখিবসু ময়াওই। পনবা য়াবা মরম খরদি মীওইবশিংগী মরক্তা তৌনবা লাননা মরম অচৌবা অমা ওইহনবদা, মশক মশাগী খুদোংচাবা চাদবা য়েংলগা লৈফম হোংবসু য়াওদবা নত্তে। অদুনা লাইনীং লাইশোনগা ফুরুপকা লৈনবা মরী মশা মশাগী অপাম্বগা মরী লৈনরক্লে হায়বা য়ারে। তশেংনা হায়বা তারবদি মান্নবা ফুরুপশিং নৎত্রগা কাঙলুপ মান্নবশিংগী মনুংদা মান্নবা লাইনীং লাইশোন লৈনবা য়াবসি লৈনদবা কয়াসু য়াওরি। নাকল অমরোমদা অমুক, মান্নরে হায়রবসু মীওইবগী ফত্তবা লিচৎ খুদম ওইনা মীবু নমথনীংবা, মশাগীতা ওইনা হেন্না পূক্লিং চঙলকপা, কলক মিহৌ চাওবা, নাপল তৌনীংলকপা, অকল অথৌ ওইরে হায়দুনা উৎনীংলকপা অসিনচিংবা কয়ানা মরম ওইদুনা মী অমগা অতোপ্পা অমগা নুংশিনবা ৱাৎলকপদগী চপ মান্নবা মান্নদবা লাইনীং লাইশোন হায়বগী ৱাফম লৈনরক্রে। য়াম্না লায়বা খুদম হায়বা তারবদি হৌজিক মতমগী পোলিটিকেল পার্টিশিং / মান্নবা মান্নদবা ফুরুপশিং কাঙলুপশিং অমুক পুল্লমগনি, অমদগী অমুক অমদা চোঙখিনি, লাইনীং লাইশোন মান্নরক্তবদগী নুংশিনদনবগী মরূ হুল্লক্কনি। অদুনা হৌজিক্কী মালেমগী খুন্নাইসি লাইনীং লাইশোন মৱা লৌদে হায়বগা পাংখক ওইরে। মরম অসিনা লাইনীং লাইশোন খুদিংমক্লা ফত্তবা তৌ, মীগা মীগগী মরক্তা নুংশিনগনু হায়বদি অমৎতা হায়দে, য়াওদে। মীওইবা ঐখোয় খক্তনা তৌহনজবনি, তৌনবনি।

মীগা মীগগী মরক্তা মান্নবনি হায়না লৌরগা নুংশিনবা অমদি য়ানবা ঙমদ্রবদি মান্নদবা অনীগী মরক্তদি কয়াম নুংশিনবা অমদি য়ানবা ঙমগনি। মসিবু ওইফম থোকপ্রা থোক্তব্রা হায়বগী মতাংদা নমু তাইবঙ ওইবগা লাইয়ামশিংগা লেপ্পখিবা ৱারেপ নৎত্রগা ঙাঙনখিবা ৱাফমগী মতাংদা শল্লপ্পা মতেক অমতং থমজগে।

মী খলৌবা অহনগা লাই খলৌবা অহনগা কংলাগী মেন ফানখোংদা ফমদুনা ৱা ঙাঙনখিবা মতাং অমদা লাই খলৌবা অহন্না হায়খি - তাইবঙ নখোয়গা লাই ঐখোয়গা ৱা ঙাঙনরনুসি মতমনা য়াদ্রে। মদুদা মী খলৌবা অহন্না অসুম্না অমুক হায় - লাই নঙগী নচাদি লৌনম য়াম্না চাউই। মিতাবা খোমদাবা, মিনম্বা থানম্বা য়ৈখায়বা থিংগাইবা য়েক্ক মরোই লাই ওই। মতাং অসিদা মখা তানা খন্নবা য়ারিবদি মতম অমদা লাইগা মীগা পুল্লমই, তিন্ন-তোৎন তৌনরম্মী। অদুবু অনীগী মরক্তা মরম কয়াদগী অমনা অমদা য়ানরোইদৌবা থৌওং উৎলুবদগী অমনা অমবু ৱারৌনখিবনি। অদুদগী য়ানবা তোকখিবনি। অদু নোংদগী লাংব চক হৌরকপদগী মীনা লাইবু মশক উবা ফংখিদ্রে। অরোৎপা ওইনা শাথুপনা লৈখ্রবনিনা মীওইবসু ৱাদবদি নৎতে। মরমদি, ফোঙনা লৈরিঙৈদা অপাম পামদা হায়নবা ঙল্লম্বদু য়ারম্বদু শেৎনা নৎত্রগা পাউফাওনবা ঙমদনা লৈনরবদি কনানা করি তৌরক্কদগে হায়বসি হায়বদি ফত্তবদা খন্নদুনা লৈনবা তাবনি। অদুনদি অফবা ওইবা হৌনদে।

অসুম্না লাইগা মীগা য়ান্নদবসে মীওইবা খুন্নাইদসু য়ানদবা অদুম ময়াওই। লাই কনানো অফবনি, মী কনানো ফবসু ময়াওবা ফত্তবসু ময়াওবা ৱাখল তামিন্নবা ঙমদবা অদুবুনি। লাইগা মীগা য়ানখিদবা মতাংদনা লাইনা শাথুপ্পা লৈরগা নমু তাইবঙগী অচেংবা অশোইবা মতম য়েংলগা লৈবনি। মীনা লাইগী চেংলৌ শক্তম উঙমদবদগী লাইনা লৈবা মফমদা চঙলুবদা অৱা অনা নংবনি। মসিগী ওন্ন-তৈনবদনা মী অফবনা মী ফত্তবনা লৈবা মফমদা চঙলুবদা অৱা অনা নংবনি। মীশি মীনা, মীফা-মীপুন নংবনি। খুদম, লৈঙাক্লা তাইবঙপানগী লাই ওই হায়না লৌরগা লৈঙাক্তা য়ান্নদবা, মরৌ চাওবা মিফৎত ওইবা কাঙবুনা শাথুপ্পা হায়বদি লোন্না লাঞ্জানবা (এম্বুশ) তৌনবা লৈমদা চৎলুবদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী লৈঙাক্কী মায়কৈদা অশোক অপন, মীশি মীনা য়াওরকপসিগুম্বনি - মী লাইগীদনা লাইনা লৈবা মফমদা নমু তাইবঙ ওইবনা চঙলুবদা লাই ওক্নবদগী মখল কয়াগী অৱা অনা নংনবগী ৱারী নৎত্রগা অশেংবা থৌদোক লৈনরিবা। অমা খঙদে অমা খঙদে, শাথুপ্পা লৈবনা মতম খরগী ওইনদি অহানবা খুদোংচাবা ফংই।

লাইগা নমু তাইবঙগা মরক্তা থোকখিবা, তৌনখিবা ৱারোল অদু ঙাক্লা চৎনরিঙৈ অমনা অমদা ৱারৌনদে। অমনা য়ানখিবা কাঙলোনগী ৱাংমদা হেক চৎনরকপদা অতোপ্পা অমনা শন্তাইনবা হোৎনবদা মতম খরদি চঙই। ৱাকোং শেল ওইনা অৱাবা নংবদুনা পীবা তাই। খুদম, লাইদি অফবা ওইরগা শাথুপ্পা লৈরিবনিনা মদুবুনসু তাইবঙনা উহৌদবদগী খঙহৌদবদগী ফিজি ফিনানা হুম্মুবদা লাইদা অকায়বা ওইরুবদগী হায়বদি লংজবা ওইনা থোক্লুবদগী লাইশক লাইওংগী মতুংইন্না অনা লাইওং নৎত্রগা মান্নদবা ফীভম উৎলকই। মদু ফনবা হোৎনবদা শন্তাইনবা ঙম্বা অখঙ অহৈ অমগী মতেং মথৌ তারকই। মদুবু তাইবঙপান্দা ঐখোয়না অমাইবী অমাইবা, ইলাৎ, পিবানচিংবা মিংথোল কয়া থোন্নদুনা মীগা লাইগা য়ান্নদবদু শন্তাইনবা হোৎনবদা মখল মখাগী অনা লায়েং পথাপ, ইলাৎ ইশোনগী কাঙলোন কয়া, অকোং পোৎ নৎত্রগা অকোং শেল মসিগা লোয়নবা ইলাৎ ইশোনগী থৌনিরোল, লাইৱা তিনৱা কয়া অমসু অহৈবা অমনা ঙমদ্রগনা খরনা তৌবা মথৌ তারকই।

খুন্নাইদা হৌজিক থোকইবা তৌনরিবা মীৎনা নাকোংনা তানরিবা-উনরিবা কয়া, চপ চানা মমিং মথা পন্দ্রবসু, মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা শিখাং খাঙদুনা লৈরিবসি লাইগীদা হায়বা তারবদি খুমন লাই হায়নবসিগুম্বনি। অখঙবশিংনা হায়বিবদা খুমন লাই ওক্নরবদি য়াম্না শাথি, ফবদা কুইনা চঙগল্লি হায়বগী মরমদি - মীবু য়াম্না কিনা চৎচবা লাই ওইবনা করিগুম্বা মফম মতমদা য়াদবদগী থেংনরুবা নৎত্রগা মায়োক্নরুবা মতমদা অখঙবা অমাইবা অমাইবী, লাইরোল খঙবশিংনা মাগী ৱাকোং পোৎ, খয়োম চাবান থারিবদু লৌবিনবা, লৌবিরবদি থুনা ফগদবদু কৌবদা নৎত্রগা লাকপীনবা হায়জবদা পাক হেক লাকপীয়ু হায়বদু য়াদ্রবনিনা য়ানগদবা মরমদু মতম খরদুগী ওইনদি লৈতবনিনা অফবা হায়বদু ওইদে। অদুনা মওল মওলগী ওইনা থেমদুনা নৌদুনা হোৎনবা অমদি চঙই। ফীভমসিমক্লি হৌজিক হৌজিকমক য়ানবা পুরক্লবা হোৎনবদা শন্তাইনবা ঙমদনা লৈনরিবসি। লাইগা মীগদি খেনবা মরম ময়াম অমা লৈবনা লাইদদি মী ঐখোয়না পংতক তকশিনবা ঙমদবা নৎত্রগা য়াদবদু মীনা লাই শাবশিংগীদমক্তদি মখোয়দা ৱাকোংপোৎ ওইনা মখোয়গী ৱারী শান্নদুনা লৈখিবা ৱারেপশিং মতম অমগী মনুংদা হন্দোক্লবা লাইগী মশক ওইরিবা লৈঙাক্কী অশেংবা অচৌবা থৌদাং লৈবনা তৌদবা য়াদবা খোঙথাং ওইফম থোকই। মরমদি লাইগীদদি চানবা ইলাৎ থৌনি তৌবদুমনা লমহেন তুহেনবা মীনা লাই শাবশিংগীদমক্তদি য়ানখিবা ৱারোলদু হন্দোক্লগা মখোয়গী মথক্তা মতুং মনাও অমুক হন্না তৌবা য়াদেকো হায়বা লাইৱা অমা শোনজিনবগী মতাংদুনি হৌজিক মথৌ তারিবদি।

লাইনীং লাইশোন খুদিংমক্লা মীবু মীনা ওৎলু হায়বসি থাজদবনা, মসিবু নাথৈরবদি নোংদম্বা লাইগী চৈরাক ফংলোইদবগী মরম লৈতে।

'হয়ি-হয়া, শিদবা মপূনা য়াইফরে'।